
# চাইনাগী জেদ রেবিট রোবোট রোভর থাদা তাখ্রে



লণ্ডন, দিসেম্বর ১৪ঃ

চাইনানা হায়বগী মতুং ইন্না মসিগী রোবোটিক রোভর অমা পুদুনা পাইখিবা ক্রাফ অদু থাগী লৈমাইদা অশোয়–অঙাম য়াওদনা তাখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

থৌওং অসি লৈবাক অদুগী স্পেস এক্সপ্লোরেসন প্রোগ্রামদা চাউনা খুমাঙ চাউশিনবা অমনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে। থাংজগী নুমিৎ য়ুংবা মতুং (জি এম টি)দা লেন্দিং মোড্যুল অদুবু থ্রস্টর শীজিন্নদুনা চহি ৩৭ কী মতুংদা ইহান হানবা ওইনা থাগী লৈমাইদা সোফলেন্দিং তৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মদুগী মতুং পূং খরা লৈরগা লেন্দর অসিনা য়ুটু হায়না থোনবা রোবোটটিক রোভর অদু থাদোকখি হায়রি। য়ু টু হায়বা থাদা লৈবনি হায়না চাইনাগী ফুঙ্গা ৱারিদা য়াওবা থেবা অমগী মমীং থোনবা জেট রেবিট অসি বে ওফ রেনবোস হায়বা ইতিং তিংবা লৈমাই অমদা তাখ্রে হায়রি। চাইনাগী খা থংবা জি চানদগী হৌখিবা দিসেম্বর ১ দা লোং মার্চ ৩বি হায়বা রোকেট অসিনা চাং ঈ –৩ হায়বা মিসন অসিদা রোভর অসি পুরগা পাইখৎখিবনি। চাইনাগী হেরিটেষ্ট ফাউন্দেসনগী দিন চেংনা হায়খিবদা মসিগী মমাঙদা য়ু এস অমদি সোভিয়েট য়ুনিয়ন হায়বা লৈবাক অনি অসি খক্তনা ঙমখিবা থবক অসি ঐখোয়নসু ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

জেদ রেবিটপু থাগী লৈমাইদা অশোয় অঙাম য়াওদনা তাহনবা অসিনা মিসন অসিগী খ্বায়দগী লুবা শরুক্লি হায়নসু চাইনানা ফোঙদোকখ্রে। মসিনা ৩শুবা ওইনা থাগী লৈমাইদা চৎপা রোবোটটিক রোভর মিসননি অদুবু চাইনিস ভিহিকল অসি লৈনুংদা ফাওজিন্না উবা ঙম্বা রাদর অদুগা থাগী লৈমাই অমদি লৈশাবু য়েংশিনবা ঙম্বা থাক ৱাংনা খুৎমাঙ চাউশিল্লবা পেলোদশিং পুখি হায়রি। কিলোগ্রাম ১২০ লূম্বা জেদ রেবিট রোভর অসিনা দিগ্রি ৩০ গী চাংদা ঙম্বা মফমদা কাখৎপা ঙম্মী। অদুগা পূংদা মিটর ২০০ গী খোঙজেলদা চৎপা ঙম্মী। হায়রিবা রোভর অসি ওন লাইনদা পাঙথোকপা পোল অমদা চাইনাগী ফুঙ্গা ৱারিদা য়াওবা থেবা অমগী মমিং থোনবদা ভোটর মিলিয়ন ৩.৪ না শৌগৎখিবনি হায়রি। চাইনগী চেরোলশিংদা হায়বগী মতুং ইন্না লেন্দিং মোড্যুল অসি থাগী লৈমাইদগী কিলোমিটর ১৫ খক্তমক লাপ্পা মফম অমদা খোঙজেল কা হেন্না হন্থনা চৎখি। অদুগা লৈমাইদগী মিটর ১০০ খক্তমক ৱাংনা লৈরবা মতমদা ক্রাফ অসিনা থ্রষ্টর কাপথোরকপগা লোয়ননা লেন্দর অসিনা রোভর অদুবু লৈমাইদগী মিটর ৪ খক্কী চাংদা নকশিল্লবা মতমদা থ্রষ্টর অদু মুত্থৎলগা রোভর অদুবু থাগী লৈমাইদা তাহনখি হায়রি।

লিখুল অসিনা ফংবা পাউদা হায়বগী মতুং ইন্না লেন্দর অসিগা রোভর অসিগনা নোংমাইজিং নুমিত্তা চপ চারবা মপা অমদা য়ৌনরকপা মতমদা অমনা অমগী ফোটো কাপকনি হায়নসু ফোঙদোরকখি। চাইনাগী স্পেস সাইন্টিষ্টশিংনা হায়বগী মতুং ইন্না মিসন অসি অনৌবা টেক্নোলোজিশিং চাংয়েং তৌবা, সাইন্টিফিক দেটা খোমজিনবা অমদি ৱাখল লৌশিং হেনগৎহন্নবগীদমক চৎখিবনি হায়রি।

হেরিটেস ফাউন্দেসনদা সেনিয়ার রিৰ্চ্চ ফেলো ওইবা দিন চেং না ৱাসিংতন দি সি দা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা চাইনাগী স্পেস প্রোগ্রাম অসি কম্প্রিহেন্সিব নেসনেল পৱার হায়বা ৱাখল্লোন অসিগা চপ চাননা চৎথৈ হায়খি। স্পেস এক্সপ্লোরেসনদা লৈবাক অসিনা হিরম পুন্নমক্তা চাউখৎলকপা হায়বসি লৈবাক অসিগী ইকনোমিক পৱার হেনগৎলে হায়বগী খুদমনি মরমদি স্পেস প্রোগ্রাম চত্থনবগীদমক অচৌবা শেলফম অমা অহেনবা ওইনা কাইথোকপা মথৌ তাই। অদুগা স্পেস টেক্নোলোজি অসিদি মাইয়োন অনিদা শীজিন্নবা য়াবা মরম্না মসিনা মিলিটরিগী মপাঙ্গলসু হেনগৎলে হায়বগী খুদমসু ওই হায়নসু দিন চেংনা ফোঙদোকখি হায়রি।

# দিপ্লোমেট ফাবনা লৈবাক অনিগী মরী শোকহল্লোই থাজে ঃ য়ুনাইটেদ ষ্টেটস

*নিউ য়োর্ক, দিসেম্বর ১৪ঃ*

নিউ য়োর্কতা ইন্দিয়াগী দিপ্যুটি কন্সুল–জেনরেল ওইবী দেবয়ানি খোব্রাগাদিবু ফাখিবা থৌদোক্কী মতুংদা থৌদোক অসি আইন চুম্না ঙাক্লবা থৌওং অমা ওইনা লৌদুনা য়ু এস অমসুং ইন্দিয়াগী মরমদা লৈবাক অনিগী মরী শোকচিল্লক্তনবা আশা তৌই হায়না য়ু এসনা ফোঙদোকখ্রে। ইন্দিয়াগী দিপ্যুটি কন্সুল জেনরেল অসিবু ফাবদগী লৈবাক অনিগী মরক্তা থোক্লিবা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা নুংঙাইনদবা অসিনা লৈবাক অনিগী মরীদদি শোক্লোয় হায়না আশা তৌই হায়না য়ু এসনা থাজবা ফোঙদোরকখিবনি। অদুবু য়ু এস কী থৌওং অসি য়ানিংঙাই শুকওই ওইদে হায়না ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখিবদি লৈরিবনি।



হিরম অসি ইন্দিয়ানা ন্যু দিল্লিদা লৈবা য়ু এস এম্বেসেদরদা পুখত্তুনা খন্নখ্রবনি। মসিগী মতাংদা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোয়না পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা, থৌদোক অসি ঐখোয়না আইন চৎনহন্নবা লৈরিবা চেনেলশিংদা লোয়শিন্নবা হোৎনরি। মতম কুইনগী মমাঙদদগী ইন্দিয়াগা ঐখোয়গা ইপাং ওইনরকপনি। অদুগা মসি কাইদনা চত্থিগনি হায়না ফোঙথোকখ্রে। নিংশিংবা য়াবদি ইং ১৯৯৯ বেটচকী আই এফ এস ওফিসার অমা ওইনা য়ু এসতা ইন্দিয়াগী দিপুটি কন্সুল জেনরেল ওইরিবা দেবয়ানিবু হৌখিবা শগোলশেলদা মীয়াম মমাঙদা হেন্দকফ চন্দুনা ফাখিবনি অদুগা বিজা শেমজিন–শাজিনবগী মরালদা দোল্লর ২৫০, ০০০ থিহল্লগা থাদোরকখিবনি।

অদুবু য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা কেস অসিগী অকুপ্পা ৱারোলশিংদি ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে। হিরম অসি কোর্টতা লৈরিবনিনা মহাক্না হায়বা ঙমদে হায়না ফোঙদোকখিদবনি।

ৱাফম অমনা ইন্দিয়াগী ফোরেন সেক্রেটরি সুজথা সিংহ অমদি এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি অমগা য়াওনা দেবয়ানিগী ৱাংশিংতন খোঙচৎ লোয়নরুবা মতুং নোংমা কোনবদা দেবয়ানিবু ফাখিবা অসিনা ইন্দিয়া অমদি য়ু এসকী দিপ্লোমেটিক্কী মরীদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইখিবনি। দেবয়ানিবু ফাখিবগী মতাংদা অকনবা ৱাকৎ চে অমা ইন্দিয়ানা পুখৎপগা লোয়ননা য়ু এসতা লৈবাক অমগী দিপ্লোমেট অমদা অসিগুম্বা মওংদা ট্রিট তৌবসি য়ানিংঙাই শুকওই ওইদে হায়না অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

# মালিদা য়ু এন পিসকিপ্পর ২ শিখ্রে



কিদাল, দিসেম্বর ১৪ঃ

মালিদা লৈবা য়ু এনগী পিসকিপ্পর মিসন অমগী ৱাঙাংলোয় অমনা হায়খিবদা মালিগী ইরাং কনবা অৱাং থংবা সিটি অসিদা বোম অমা পোকখাইবদা মীওই কয়া মরুম শিবগা লেয়ননা খরনা শোকখ্রে হায়না ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

ফ্রেদ ফেট হায়বা মিসন ৱাঙাংলোই অসিনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা ঙসি অয়ুক বোম অমা পোকখাইরকখিবনি। অদুগা ঐনা ফংবা পাউদা মীওই খরা শিরে অদুগা খরানা শোক্লে হায়না ফোঙদোকখি। অৱাং থংবা মালিদা ইন্টিলিজেন্স ওফিসিয়েল অমনা হায়বগী মতুং ইন্না শিখিবশিং অদুগী মরক্তা সিনেগাল মচা পিসকিপ্পর ২সু য়াওখ্রে হায়রি। ৱাফম অসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকপগী ওথোরাইজেসন লৈতবা মরম্না ৱাঙাংলোই অদুনা মশক মমিংদি ফোঙদোরকখিদে।

থৌদোক অদু বেঙ্ক অমগী মমাঙদা থোকখিবনি। পিসকিপ্পরশিংনা ঙাক–শেনলিবা বেঙ্ক অদুগী হেক মমাঙমক্তদা এক্সপ্লোসিব থননা য়াওরবা কার অমা পোকখাইরকখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। পোকখাইবদু অসুক্কী মতিক শাফু কনখি। মদুদি মফম অদুৱাইদা লৈবা য়ুমশিংগী থোঙশিং লোয়নমক ফকখাইখি হায়রি।

কিদালদা লৈবা অবদালা আগ ইব্রাহিম হায়বা মীওই অমনা হায়বগী মতুংইন্না, পোকখাইবদুদা বেঙ্ক অদু নিংখাইখি, য়ু এন গী আরমর্দ পার্সোনেল কার অমা মৈনা চাকখি, অনকপদা লৈবা স্কুল অমসু মৈনা চাকখি হায়না ফোঙদোরকখি।

পোকখাইখ্রবা মতুংদা মফম অদুৱাইদা শিরব্রা নৎত্রগা শোকপ্রা খঙবা ঙমদবা হকচাং ৪ তাদুনা লৈবা মহাক্না উখি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি, মালিগী কোনুংদগী অৱাং নোংপোক্তা কিলোমিটর ১৬০০ রোম চৎলগা লৈবা কিদাল অসি ইং ২০১১ দা য়েলহৌমী ওইবা তুৱারেগশিংগী লানহৌ অমা হৌরকখিবা মতুংদগী ইরাং কনবা মফম অমা ওইরকপনি। চহি অসিগী জনুয়ারি থাদা মালিদা থাজিনখিবা ফ্রান্স লানমিশিংনা মফম অদুৱাইদা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরম্বা লানহৌবা কয়ামরুম মায় পাক্না তাম্থোকখ্রবনি অদুবু লানহৌ ইরাং হৌরকফম ময়োল ওইখিবা কিদালদদি হকচিনবা লানহৌবা খরা হৌজিকসু লোত্তুনা লৈরিবনি।

# য়ু এননা জর্নেলিষ্টশিং ঙাক শেন্নবা খল্লি

নুউ য়োর্ক, দিসেম্বর ১৪ঃ

ফ্রান্সকী য়ুনাইটেদ নেসন এম্বেসেদরনা মীটিং অমগী মতুংদা হায়খিবদা, ফ্রান্স অমসুং গৌতেমালানা লান থোকপা মফমশিংদা পাউমীশিংবু করম্না ফজনা ঙাকশেনবা ঙমগদগে হায়বসিগী চৎনবা য়াবা প্রাপোজেল অমা পুথোক্লবা খল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিদা পাঙথোকপা মীটিং অমগী মতুংদা য়ু এন এম্বেসেদর গেরার্দ এরোদনা হায়খিবদা চহি অসি হৌরকপদগী মালি, সিরিয়া, সোমালিয়া অমদি পাকিষ্টান্দা মীডিয়াগী মীওই মথৌ তৌরিঙৈদা হাৎখিবশিংগী মশিং ৭৬ শুরে হায়না ফোঙদোকখ্রে। অসিদসু নত্তনা পাউমী কয়ামরুমসু ফাজিনবা য়াওখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। হৌজিক ঐখোয়না করম্না অফবা চৎনবা য়াবা অদুগা য়ানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমা ফংনবা হোৎনরি হায়বসু এরোদনা ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা ফ্রান্স অমসুং গৌতেমালানা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকপা য়ুনাইটেদ নেসনগী মীটিংশিংদা পুথোক্লুরকপা ৱাখল্লোনশিং দোক্যুমেন্ট অমা ওইনা লেংশিল্লগনি হায়রি। মীফম অদু য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা এনবোইদ ওইবা মীওই কয়ামরুমসু শরুক য়াখি। চহি অসিদদি এরোদনা পেনেলগী চিয়ার লৌবনি।

রিপোর্টরস ৱিদাউট বোর্দরস হায়বা এন জি ও অসিগী দিরেক্টর জেনরেল ওইবা কৃষ্টোফ দিলোয়ারনা পুখৎলকপা ৱাফম অমদা প্রেসকী মতাংদা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং য়ু এন মেম্বর ষ্টেটশিংগী অয়াবা য়াওরগা থিজিনবা ঙম্বা য়েংশিনবা ঙম্বা ইন্দিপেন্দেন্ট এক্সপার্টশিংগী বোদি অমা শেম্বগী ৱাফম ফোঙদোরকখি। অদুগা মহাক্না পাউমীশিংবু তারগেট তৌবা থৌওংশিং অসি ইন্টর্নেসনেল ক্রিমিনেল কোর্ট দিজিগ্নেট অমনা মীওইবগী মায়োক্তা চত্থবা ক্রাইমশিং ওইনা লৌবিনবা ৱাফমসু মহাক্না হৌদোরকখি।

# য়ুক্রেন্দা ৱাকৎলোয়শিং থাদোকখ্রে

*কিয়েভ, দিসেম্বর ১৪ঃ*

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নবু য়ানিংবা ৱাকৎলোয়শিং অমদি রাইওৎ পুলিসকা খুৎ থোক্নখ্রবা মতুংদা ফাজিনখিবা ৱাকৎলোয়শিংগী মরক্তগী ৯ য়ুক্রেনগী কোর্ট অমনা থাদোকখ্রে হায়রি।

মখোয়বু থাদোকপা হায়বসি ৱাকৎ ঈহৌ চঙশিল্লিবশিংগী দিমান্দ অমসু ওইরিবনি। য়ুক্রেনগী কোনুং কিয়েভতা প্রসিদেন্টকী লৈফমদগী ৱাকৎলোয়শিং তাম্থোক্লবা হৌখিবা নভেম্বর ৩০ দা চত্থিব ক্রেক দাউনদ অমদগী মখোয় ৯ অসি ফাজিনখিবনি। ৱাকৎ ঈহৌ অসিগা মরি লৈননা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভিক্টোর য়ানুকোভিসকা ৱাকৎলোলয় শিংগা অহানবা থেনখাঙগী ওইনা ৱারি শান্নবদা কান্নবা ইফং ফংখিদ্রবনি। হয়েং নোংমাইজিং নুমিত্তা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা রেলি অমা পাঙথোক্লবগীদমক হৌজিকসু ৱাকৎলোয়শিং কিয়েভদা চঙশিন্নরকই। ইন্দিপেন্দেন্স স্কোয়ারদনা শাথিনা ঈংখ্রবা মরক্তা ৱাকৎলোয় চা কয়া অমসু কেম্প তৌদুনা লৈরিবনি। উন, তিঙ্খং তারাশিং, য়োৎকী বেরিকেদ শিংনা খাজিল্লদুনা ৱাকৎলোয়শিং অসি রেলি অসিগীদমক শেম শাদুনা লৈনরিবনি।

ওপোজিসন পোলিটিসিয়ান বিতালি ক্লিতস্কোনা হায়খিবগী মতুংইন্না ওপোজিসননা পুখৎপা দিমান্দশিংগী মরক্তগী অমত্তা ফাওবা ওথোরিটি শিংনা ৱা ওইনা লৌদ্রে হায়না ঐঙোন্দা ফাওই হায়খি।

লৈবাক মনুংদা হৌরিবা ঈরাং অসিদা মালেম পুম্বদগী য়ানিংদবসু ফোঙদোরক্করলিবনি। য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইবা জোন কেরিনা মমাঙ থাদা কিয়েভদা ৱাকৎলোয়শিংগী মথক্তা রাইওৎ পুলিসনা ফোর্স শিজিন্নখিবা অদু য়াম্না ফজদবা থৌদোক্লি হায়নসু পেনদবা ফোঙদোকখিবনি। ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা ৱাকৎলোয় শিংগী মরক্তগী ৯ অদু মখোয়গী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস লৈনা লৈনা ঙরাং কোর্টনা থাদোরকখিবনি। অদুগা য়েহোর প্রেবির হায়বা চহি ২৭ রোমগী ৱাকৎলোয় অমদি পার্সিয়েল হাওস এরেষ্ট ওইনা লৈনবা কোর্টনা ওদর্রসু তাখি হায়রি।

# সাউথ চাইনা সিদা জহাজগী খুদোংথিবা থোক্লমগদৌরে

*ৱাশিংতন, দিসেম্বর ১৪ঃ*

সাউথ চাইনা সিগী ইন্টর্নেসননেল ৱাটরগী শরুকশিংদা ওপরেদ তৌখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী গাইদেদ মীসাইলশিং পুবা লানগী জহাজ অমগা মনাক্তা চৎলম্বা চাইনিস নেভিগী জহাজ অমগা থেঙজিন্নগে তৌবগী থৌদোক অমা থোকখ্রে হায়না য়ু এসকী পেসিফিক ফ্লিতনা থোকপা চেরোল অমদা ঙরাং ফোঙদোরকখ্রে।

থৌদোক অসিগী হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দা থোকখিবনি। য়ু এস এস কাওপেনস হায়বা জহাজ অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা কন্না উংখৎনবা লৈরিঙৈ মরক্তা মফম অদুদা চৎখিবনি। বৈজিংনা ইষ্ট চাইনা সিদা ইয়ার দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোন (এ দি আই জেৎ) অমা চৎনরগনি হায়না লাওথোকখিবা মতুংদগী চাইনাগা অকোইবদা লৈবা লৈবাক খরগসু উংখৎনবা লৈরিবনি হায়রি।

পেসিফিক ফ্লিতনা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা হায়খিবদা, জহাজ অনি থেঙজিন্নগে তৌখিবা ফিভম অদুগী অকুপ্পা ৱাফমদি ফোঙদোরকখিদে। অদুবু চেরোল অদুদা হায়বগী মতুং ইন্না থৌদোক অসিনা ঈশিংগী শরুকশিংদা চৎনরিবা ভেসেলশিংনা অমগা অমগা ৱা ফাওনবা অদুগা অতম্নানা খনবা নত্তবা অশোয়বশিং থোক্লকপা য়াবগী খুদোংথিবশিং হন্থহন্নবা অৱাংবা থাক্তা থবক তৌবগী তঙাইফদবা অমদি থৌদোক অদুদগী খঙলে হায়না ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা ইষ্ট চাইনা সিগী নোংথক্কী শরুকশিংদা বৈজিংনা মমাঙ থাদা এদি আই জেৎ চৎনরগনি হায়না লাওথোরকখিবগা লোয়ননা জোন অসিদা পাইশিল্লকপা প্লেনশিং চাইনিজ ওথোরিটিনা তাকপা হায়বা ৱারমশিং ইন্নবা খঙহল্লকখিবনি। জোন অসিদা পাইশিল্লকপা প্লেন খুদিংমক্না মখোয়গী ফ্লাইট প্লানশিং মাঙজৌননা চাইনাদা খঙহল্লকদবনি হায়বগা লোয়ননা চাইনিজ ওথোরিটিনা খঙনিংবা ৱাফমশিং হংলকপদা শেংনা তাক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোরকখিবনি। অদুবু মুক্লরিঙৈ চৈরক্তা য়ু এস অমদি জপান্না মসিগী এয়ার ক্রাফটশিং জোন অদুদা চাইনিজ ওথোরিটিশিং তাক্লমদনা পাইশিনবসু য়াওখ্রবনি।

# য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াদা ৱার্নিং তৌখ্রে

*সিওল, দিসেম্বর ১৪ঃ*

অৱাং কোরিয়াগী লুচিংবা ওইরিবা কিম জোং–উনগী মখুরা অমবু হাৎপগী চৈরাক পীবগী ৱাফম ফোঙদোরক্লবা মতুংদা মখুরা অদুবু শৌগৎপা মীওইশিংনা লৈবাক অদুদা ইরাং হৌরক্লিবা অসিদগী নাথৈবা ওইনা অতোপ্পদা কাইহৌবা থবক তৌরক্তনবা য়ু এসনা লৈবাক অদুদা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাশিংতন্না মসিগী মপাং ওইবা লৈবাকশিংগা ৱারি শান্নবা ৱাফম তকশিনবগা লোয়ননা কিমগী পোলিটিকেল রিজেন্ট অদু হাৎখিবদগী লমদম অসিদা থোক্লিবা লৈতাদবা ফিভম অসিদা য়ু এসনা নুংনাংবসু ফোঙদোকখ্রে হায়রি। নিংশিংবা য়াবদি কিম জোং উনগী মখুরা অদু ওফিসিয়েল ওইদ্রবসু লৈবাক অসিগী অনিশুবা খ্বায়দগী মরুওইবা লুচিংবা অমা ওইনা লৌনবনি। মহাক্কী মথক্তা অখন্নবা লানমিগী ৱায়েল অমা চত্থরবা মতুংদা হৌখিবা শগোলশেলদা শিবগী চৈরাক পীখিবনি। মহাক হাৎখিবগী মতাংদা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোয় মেরি হার্ফনা ঙরাং হায়খিবদা, তশেংনমক থৌদোক অসি ঐখোয়গী কোক চিংনিংঙাইনি। ঐখোয়না নোর্থ কোরিয়ানশিংবু অতোপ্পশিংদা কাইহৌবা থবক অমত্তা চত্থরক্তনবা তকশিল্লগনি। মরমদি অদুগুম্বা খোঙথাংশিং অদু রিজন অদুগী লৈতাবা ফিভমদা চুশিন্নদবা খোঙথাংশিংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মহাক্কী ৱাফম অসি খা কোরিয়াগী দিফেন্স চিফ কিম ক্বান–জিন না লৈবাক অদুদা কনাগুম্বনা কাইহৌরকপগী থবক কুপ্না শেন্নবা লানমিগী মপাঙ্গল হেনগৎলগনি হায়খিবগা ইকান কান্নদনা ফোঙদোকখিবনি। অমরোমদা কিম জোং উনগী মখুরা হাৎখিবা অসি লুচিংবা অসিনা লৈঙাক্কী শক্তি মখুত্তা পুল্লপ পায়শিনবা য়ানবা চত্থিবনি হায়না লৌনবসু য়াওরি।

পার্লিয়ামেন্টরি দিফেন্স মীটিং অমগী মতুংদা খা কোরিয়াগী দিফেন্স চিফ অসিনা হায়খিবদা, ঐখোয়না ঐখোয়গী ইথক্তা অৱাং কোরিয়াগী কাইহৌবা থবক থিংনবা শেম শাবগী শরুক য়াম্না হেনগৎহনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি। কিম জোং উননা মহাক্কী পৱার হেনগৎহন্দুনা টেররগী লৈঙাক অমা চত্থবা য়ান্নবা মহাক্কী মখুরাবু লৌথোকখিবনি হায়না লৌবসু য়াই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। চৈরকসিদা অৱাং কোরিয়াদা জাং হাৎখিবগী মরমদা লৈঙাক্না মরম চাবা ৱারোল অমা ফোঙদোক্লবা তকশিল্লকপসু হেনগৎখ্রে হায়রি।

# ইরাননা স্পেসতা অনিশুবা ওইনা য়োং থাগৎখ্রে



*টেহরান, দিসেম্বর ১৪ঃ*

স্পেসতা মীওইবা থাগৎনবা পান্দমদা ইরাননা চত্থরকপা অচৌবা স্পেস প্রোগ্রাম অমগী মনুং চন্না লৈবাক অসিনা অনিরকশুবা ওইনা য়োং অমবু স্পেসতা মায় পাক্না থাগৎপা ঙমখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ইরানগী ষ্টেট টি ভিনা হায়বগী মতুং ইন্না ফার্সি লোলদা রিসর্চ্চ হায়বসিবু খঙনবা পাজোহেসে হায়না থোনবা রোকেট অসি মায় পাক্না স্পেসতা থাগৎখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। রোকেট অসি ইরানগী ওইনা লিক্বিদ ফ্যুয়েল শিজিন্নবা ইহান হানবা রোকেটনি। মসিনা স্পেসতা কিলোমিটর ১২০ ৱাংনা পাইখৎখি হায়বগা লোয়ননা রোকেট অসিদা য়াওখিবা ফারগাম হায়বা য়োং অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা পৃথিবীদা অমুক হল্লক্লে হায়নসু পাউ অদুদা ফোঙদোরকখি। ফারগাম হায়বসি ফার্সি লোলদা থোইদোক্লা অফবা হায়বনি হায়রি। টি ভি চেনেল অদুদা রোকেট অদুনা কাপখৎখিবা উৎপগা লোয়ননা মদুগী ফমফম অদুদা য়োং অদু চেকশিন্না ফাজিন্দুনা হাপ্পা অদুসু উৎখি। য়োং অদুনা অশোয় অঙাম য়াওদনা পৃথিবীদা অমুক হল্লকপদা হরাউনা খুবাক খুদুনা ওকপদা ইঙক ঙক্লা য়েংবা মতৌ অমসু টিলিভিজনদা উৎখি।

পাউ অদুদা হায়বগী মতুং ইন্না ফারগামগী কোপসুল অদু পৃথিবীদা পেরাচুট অমগা লোয়নদুনা অশোয় অঙাম য়াওদনা থুঙলরে হায়নসু ফোঙদোরকখি। রোকেট অদু ফারগামবু পুদুনা মালংপানদা মিনিট ১৫ রোম অশোয় অঙাম য়াওদনা পাইখি হায়নসু পাউ অদুদা মখা তারকখি।

ৱাফম অমনা চপ চানা অচুম্বনি হায়না কনফার্ম তৌবদি য়াদবা ফীভম অমদা টেক্নোলোজিগী ওইবা অসিগুম্বা মায় পাকপা অসি ইরাননা মরক মরক্তা ফোঙদোরকই। ইসলামিক রিপাব্লিক অসিনা হায়বগী মতুং ইন্না অচৌবা মঙলান অমদা পায়খৎপা এরোস্পেস প্রোগ্রাম অমগী মনুং চন্না লৈবাক অসিনা মালংদা এষ্ট্রোনোত অমা থাগৎনবা কন্না হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসিয়েল ওইবা আই আর এন এ নিয়ুজ এজেন্সি অমনা হায়বগী মতুং ইন্না পাজোহেসবু মায় পাক্না থাগৎপা ঙমখিবা অসিনা ইসলামমিক রিপাব্লিক ওফ ইরান না স্পেসতা মীওইবা অমা থাগৎনবগী পান্দম অদুদা য়াম্না শাংনা খুমাং চাওশিনবা ঙল্লবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি। ইরানগী সাইন্টিষ্টশিংনা হায়বদা রোকেট অদুদগী থারকপা সিগনেলশিং লৌশিনবা ঙম্বগা লোয়ননা রোকেট অদুগী খোঙচৎ ফজনা শেন্নবা ঙমখি। অদুদা নত্তনা ফারগামগী হিংবগী মরুওইবা সিগনেলশিং ফ্লাইট মনুংদা সাইন্টিষ্টশিংনা শেংনা লৌশিনবা ঙমখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

স্পেসতা ইরাননা অহানবা ওইনা য়োং অমা কিলোমিটর ১২০ ৱাংনা থাগৎপা ঙমখিবসি চহি অসিগী জানুয়ারি থাদনি হায়রি।




## SANALEIBAK SUDOKU

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 3 | 7 | | | | | 9 | |
| | | | 8 | 4 | | | 3 | |
| | | 2 | | | 9 | 6 | | 7 |
| 2 | | | | | 3 | | | |
| | | | | | | 5 | | |
| 1 | 8 | 4 | | | | | | |
| | | | 1 | | | 3 | | |
| 3 | 5 | | | | | | 1 | 9 |
| | | | | 6 | | 8 | | |

ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 4 | 6 | 9 | 8 | 1 | 7 | 5 | 3 |
| 1 | 8 | 7 | 4 | 5 | 3 | 2 | 6 | 9 |
| 9 | 5 | 3 | 2 | 6 | 7 | 8 | 4 | 1 |
| 3 | 2 | 4 | 5 | 9 | 8 | 1 | 7 | 6 |
| 6 | 9 | 5 | 7 | 1 | 4 | 3 | 2 | 8 |
| 7 | 1 | 8 | 3 | 2 | 6 | 4 | 9 | 5 |
| 4 | 7 | 9 | 1 | 3 | 5 | 6 | 8 | 2 |
| 8 | 3 | 2 | 6 | 4 | 9 | 5 | 1 | 7 |
| 5 | 6 | 1 | 8 | 7 | 2 | 9 | 3 | 4 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*